## নেসনল এৱার্দ পীরক্লে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩(ঐচএনএস)ঃ আই সী দি এস প্রোজেক্ট বিষ্ণুপুরগী উপোকপী অঙ্গনৱাদি সেন্তরদা ৱার্কর ওইরিবী এম পদ্মাদা কুমজা ২০১৭-১৮গী নেসনল এৱার্দ ফোর অঙ্গনৱাদি ৱার্করস পীরক্লে। অফবা অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিং খনগৎতুনা এৱার্দ পীরকপদা এম পদ্মাসু য়াওরকপনি হায়না চাইল্ড দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট ওফিসর আই সী দি এস বিষ্ণুপুর টি ঐচ শান্তিবলানা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্টনা পীরকপা মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশীং ৫০ অমসুং সার্টিফিকেট অমা য়াওরি। থা অসিগী ৭তা প্রভাসি ভারতিয়া কেন্দ্র ন্যু দেল্লিদা মনা অসি মিনিষ্টর ওফ ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মানেকা সঞ্জয় গান্ধীনা পীরকপনি হায়রি।

## মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩(ঐচএনএস)ঃ ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জেলূপ (ইমাখোল) গী প্রসিদেন্ট ডা. আর কে গুনচন্দ্র, এদভাইজর খুরাইজম নিমাইচরন অমসুং ৱারীবম মৈনো অমদি অইবা ঙাইরাংবম ইবোহলনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইদুনা চহীগী অপূনবা মীফম ঙসি পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা ইমাখোলগী মেম্বরশিংনা মশা মশানা পামজবা শৈরেং অমদি ঈশৈনচিংবা লান্থোকখি হায়না ইমাখোলগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩(ঐচএনএস)ঃ পব্লিক থিএটর নম্বোলগী কোলেজ ওফ ম্যুজিক এন্দ পার্ফোমিং আর্টকী মোইবুংগী ওজা ওইরম্বা পুখ্রম্বম শামুঙৌনা লৈখিদবদা কোলেজ অসিগী মহৈরোয়শিং, আর্টিষ্টশিং অমদি ওজাশিংনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

## থৌ পুবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩(ঐচএনএস)ঃ ইন্দিজিনস পিপলস রাইটস ইনিসিএটিভ কংলৈপাক্কী কুমজা ২০১৯-২১গী থৌ পুনবশিং খনখ্রে। লাইতোঞ্জম থোইববু প্রসিদেন্ট, মচং শোইবমবু সেক্রেটরি, ইকনমিক এফ্যেরস মাইস্নাম কোরৌহনবা লুৱাংবু এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর ওইনা খনখ্রে হায়রি।

থা অসিগী ২৮দা পাঙথোক্কদবা ইন্টরনেসনল য়র ওফ ইন্দিজিনসকী থৌরম হৌদোকপদা লমদম অসিগী য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈলোলবু শকখঙবীনবা অমদি ঙাকপীশেনবীনবা অকূপ্পা মরোল য়াওবা চেরোল অমগা লোয়ননা পেরিসতা লৈবা য়ুনেস্কোগী হেদ ওফিসতা থাবা হায়নসু ৱারেপ লৌখ্রে হায়রি।

সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬কী মায়োক্তা চঙশিনগদবা থবক থৌরমগী মতাংদসু অথুবদা ৱারেপ লৌরগনি হায়রি।

## মীফম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩(ঐচএনএস)ঃ ওল মণিপুর দি পি সী কমপ্লিটেদ কেন্দিদেটস ওফ মণিপুর রাইফল (মেল) ২০১৬ বেটচকী মীফম অমা থা অসিগী ১৫গী অয়ুক পুং ১০ তাবদা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা কেন্দিদেটশিংনা শরুক য়াবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

## মীটিং পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩(ঐচএনএস)ঃ ওল মণিপুর রিটর্ন টেষ্ট সক্সেসফুল কেন্দিদেটস ওফ এল দি সী, রেভিন্যু দিপার্টমেন্ট ২০১৬ বেটচকী ওইবা জি বি মীফম অমা থা অসিগী ১৬কী নুংথিল পুং ১ তাবদা দি এম কোলেজ কেন্টিন্দা পাঙথোক্কনি। মীটিং অসিদা মরী লৈনবশিংনা শরুক য়াবিয়ু হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

## ‘অপূনবা মীফম পাঙথোক্কদবনি’

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩(ঐচএনএস)ঃ সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ মণিপুরদা কোনশিলহন্দনবা অমদি মণিপুর পিপল বিল অয়াবা পীননবা তকশিন্নবা পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক্কী অপূনবা মীফম অমা পাঙথোক্কদবনি হায়না মণিপুর পিপলস দেমোক্রেটিক ফ্রন্টনা ফোঙদোরক্লি। সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ মণিপুর অমদি অৱাং নোংপোক স্টেটশিংগী খ্বাইদগী চাউবা ইস্যু অমনি হায়বসি লৈঙাক অসিনা খঙবীয়ু। মিজোরাম গভর্ণমেন্টনা লেপ্লিবা ফিরেপ, এ জি পিগী মিনিষ্টর ৩ রিজাইন তৌখিবা অসিবুসু মণিপুর লৈঙাক্না খঙজিনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

লোক সভা অমদি রাজ্য সভাগী মথক্তা মণিপুর গভর্ণমেন্ট লৈবা নত্তে হায়বসিসু লৈঙাক অসিনা খঙজিনবীয়ু। মণিপুরদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমত্তা ওইনা পূল্লগা বিল অসি চৎনহন্দনবা হোৎনবা হায়বা অসি তঙাইফদবনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

# ‘সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মায়োক্তা পূন্না লেপমিন্নদুনা খোঙজং চঙশিনমিন্নরসি’

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচএনএস): য়ুনাইটেদ ওল কম্যুনিটিজ সোসল অপ-লিফটরস, কংলৈপাক (য়ুনাক্সু) না সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসিগী মায়োক্তা লেপমিন্নদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিনমিন্নরসি হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ুনাক্সুগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি থিঙুজম বঙ্কিমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মালেমদা নীংখা তম্বা লৈবাক ২০০ রোম লৈরিবা অসিদা লৈঙাক লোইনা লৈ অমসুং লৈঙাকশিং অসি মখল মথেল য়াম্মী। করম্বা লৈবাক্তা করম্বা লৈঙাক চৎপগে হায়বদু মখোয়গী ইকনমিক সিষ্টেম শেন্নকপদা শেল তানবা অমদি ললোন ইতিক্কী চৎনরোলনচিংবনা লেপ্পী। লমদম অদুগী মীওইশিংদা করম্বা মখলগী রাইটশিং পীগনি হায়বসি অইবা নৎত্রগা চিন্দুং ইনবা চৎন-পথাপতা য়াওদুনা লৈ। সিটিজনশিপ হায়বসি অদুগুম্বা রাইটশিং অদু খুদোংচাবা ফংবা মীয়াম অদুবুনি হায়রি।

লৈবাক অমগী ঙমখৈ, মীয়াম অমসুং লৈঙাক অমদি অতোপ্পা লৈবাকশিংগা ললোন ইতিক তৌবগী কাঙলোন তোঙান্না লৈরি অমদি য়ুনাইটেদ নেসন্সতা মনীং তম্বা লৈবাক অমা ওইনসু মেম্বর ওইনা য়াওই। কুমজা ২০১৮দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মীওই ক্রোর ১৩৩ ইন্দিয়াদা লৈ হায়রি। অদুবু অৱাং নোংপোক লমদমগী স্টেটকী অপূনবগী মীশিংদি ক্রোর ৫ ফাওবা য়ৌদনা লৈরি। মদুগী মথক্তা লমদম অমদগী লমদম অমদা মীওই কয়া লৈফম চাফম হোংলকপদা অহোংবা লৈ অমসুং সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসিনা মীরমদগী লাকপশিংদা খুদোংচাবা কয়া পীগদৌরি হায়রি।

অল জজিরাদা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০১৭কী জুনগী রিপোর্টতা আফঘানিষ্টান্দা হিন্দু, সিখ পূন্না মীওই লিশীং ৭ মুক্তগী হেন্না লৈতে হায়রি অমদি পাকিস্টানগীনা হিন্দু পোপ্যুলেসন অসি পাকিস্টান ব্যুরো ওফ স্টেটেটিক্সকী রিপোর্টকী মতুং ইন্না মীওই লাক্ষ ৩২ মুকনি হায়রি। হিন্দুশিং অসি অয়াম্বনা গুজরাট অমসুং রাজস্থানগা তাইনবা সিন্ধ দিষ্ট্রিক্তা লৈ হায়রি। অমরোমদা বাংলাদেশকী হিন্দু পোপ্যুলেসন অসি মীওই ক্রোর ১গা লাক্ষ ৬০ রোমনি। মুসলিমগী মীশিংনা ক্রোর ১৪মুকনি হায়রি।

কুমজা ১৯৯৮দা অসামগী গভর্ণর ওইরম্বা এস কে সিনহানা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টতা ইবা *ইলিগেল মাইক্রেন্টস টু অসাম* হায়বা রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না কুমজা ১৯৭১দগী ১৯৮৯ ফাওবদা হিন্দু লাইনীং চৎপা মীওই লাক্ষ ৭৫ ইন্দিয়াদা চঙখি। মুসলিমশিংনা মশীং থিঙমদনা চঙলকখি। অসামদা কুমজা ১৯৯৪দগী ১৯৯৭গী মনুংদা অসামগী ভোটর লিষ্টতা চাদা ১৬.৪৫ হেনগৎলকখি অমদি কন্সটিট্যুএন্সি ১৭তনা চাদা ৩০ ফাওবা হেনগৎপা অমদি কন্সটিট্যুএন্সি ৪০দনা চাদা ২০ হেনগৎখি। মতম অদুদা ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা হেনগৎলকখিবা ভোটর মশীং চাদা ৭ খক্তনি হায়রি।

সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসিগা আই এল পিগা করম্না মরী লৈনরিবনো হায়বগী মতাংদা চেরোল অদুনা ফোঙদোরকপদা আই এল পি অসি মীতোপ মীয়ানচা অমসুং ময়াংশিংবু লাক্কনু হায়বা নত্তে। মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল ত্রাইবতা ওন্নবা চঙশিল্লিবা অসিগা আই এল পিগা থোইদোক্লা খেন্নদে। সেদ্যুল ত্রাইবনা থবক তৌদবা লাইরিক তমদবা রিজার্ভেসন য়াওই হায়বনি। লুরিবদি সেদ্যুল ত্রাইব ওনবা অমসুং আই এল পি অনীমক ফংবদি পাম্বৈ লৈরোই হায়রি।

অনৌবা বিল অসিদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মীচং চঙলগা বাংলাদেশকী হিন্দু ময়াংশিং অদু মণিপুর অমসুং অসাম্নচিংবা লমদা থাজিল্লক্কবা হোৎনবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

কুমজা ২০১৮দা মণিপুরদা অধার কাপখিবা মীওই লাক্ষ ৩০ মুক লৈ। অদুবু মসিদা য়েলহৌমী লাক্ষ ২০মুক্তনি হায়বসিদি খঙনরবা ৱাফমনি। লাক্ষ ১০মুক্তি ময়াং ঙাক্তনি হায়বসি লাল্লরোইদবা ৱাফমনি। সেন্সস রিপোর্টকী মতুং ইন্না মণিপুরদা মীওই লিশীংমুক্তগী হেন্না হেনগৎখিদে। অদুবু কুমজা ১৯৬১গী রিপোর্টতগী মীওই লাক্ষকী মথক্তা হেনগৎখি। কুমজা ২০১১দা ফোঙবদদি মীওই লাক্ষ ৫,৬১,৯৮৯ হেনগৎলকখি হায়রি।

লমদম অসিদা হান্নদগী লৈরবা ময়াংশিংনা খূৎশম্নদুনা লেমহৌরিবা ললোন ইতিক অমসুং লৈঙাক পায়শিল্লক্কদৌরি। লমদম অসিগী লৈঙাকসু মমিংগী ওইনা পায়হনবা অসি মমিং ফাওবা লৈরোইদৌরি। চহী ৫ অমসুং ১০দা অমুক অতোপ্পা এমেন্দমেন্ট বিল অমা পাস তৌরগা আই এল পি চৎনরবসু অমুক চৎনদ্রে হায়না লাউথোরকপা য়ারি। মরম অদুনা ঐখোয়গী তুংগী লাইবক লেপচনবগীদমক চীং-তম পূন্না মুখৎনবা শিল্লিবা বিল অসিগী মায়োক্তা লেপমিন্নদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিনমিন্নরসি হায়রি।

# ইম্ফাল কেম্প্যেন টোক পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচএনএস): সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱার ইম্ফাল কেম্প্যেন ফাউন্দেসন্না শীন্দুনা অহুমশুবা এদিসনগী *ইম্ফাল কেম্প্যেন টোক* ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা দিরেক্টরেট ওফ আর্টস এন্দ কলচরগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

*ইম্ফাল কেম্প্যেন টোক* অহুমশুবা এদিসনগী খন্ন-নৈনবা অদুগী টোপিকনা *ৱার ষ্টোরিজ এন্দ দি মিদিয়ম ওফ সিনেমা* ‘ইম্ফাল ১৯৪৪’ হায়বা অসিদা য়ু কেদগী লাকপা জপানগী শক্লাইরবা ফিল্ম মেকর য়ুনিচি কাজিকোনা ৱা ঙাঙদুনা মীয়ামগা খন্ন-নৈনখি হায়রি।

খন্ন-নৈনবা অদুদা পেনেলিষ্ট ওইনা এক্টর, প্রদ্যুসর অমসুং দিরেক্টর য়ুনিচি কাজিকো, এক্টর, প্রদ্যুসর, দিরেক্টর অমসুং প্রোপ্রাইটর সী গ্রু ইন্টরটেনমেন্টকী সঞ্জিব ভিরমনি, নেসনল এৱার্দি, ফিল্ম ক্রিটিক, প্রদ্যুসর অমসুং দিরেক্টর বোবি ৱাহেংবম, ৱার রিছার্সর অমসুং ৱর্ল্ড ৱার ইম্ফাল কেম্প্যেন ফাউন্দেসনগী প্রসিদেন্ট য়ূম্নাম রাজেশ্বরনচিংবা পেনেলিষ্ট ওইখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা য়ূম্নাম রাজেশ্বরনা হায়খি, ইম্ফাল কেম্প্যেন টোক হায়রিবা অসি মমাঙদসু শিনখ্রে। মণিপুরদা সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱার থোকখিবা অসিগী মরী লৈনবশিং অদু করম্না মীয়ামদা খঙহনগদগে হায়বগী পান্দমদা মথং মথং পাঙথোরকপনি। মমাঙদা ইম্ফাল হোটেলদা অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকখ্রে। ঙসিগী অসিনা অহুম্লকশুবা ওইনা পাঙথোকপনি হায়খি।

থোকখিবা লাঞ্জাওশিং অসি ফিল্ম রোমদা নম্লকপদা করি করি চঙগনি, করি করি মথৌ তাই হায়বা অদু পেনেলিষ্টশিংগা লোয়ননা খন্ন-নৈনগদবনি। মণিপুরগী ফিল্ম মেকরশিং অমদি ফিল্মদা থৱায় য়াওবা মীওইশিংবুসু ইনভাইট তৌদুনা থৌরম অসিদা শরুক য়াবীনবা হায়জবনি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ুনিচি কাজিওকাগী ফিল্ম অসিসু স্ক্রিন তৌগনি অমসুং খন্ন-নৈনগনি। ফোর গোট্টন ৱার হায়দুনা ফিল্ম শুটিং অমসু তৌবা হৌরে। মণিপুরদা থোকখিবা সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱারগী দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অমসু নম্বা হৌরে। স্টেট অসিগী ওইনদি পুথোক্ত্রি অমসুং দোক্যুমেন্টরি কয়াদি পুখৎনবা হোৎনরি। লাক্লিবা জুন ২২দা ইম্ফালদা ফিল্ম অসিগী প্রেমিয়র শো কাপকনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা খন্ন নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচএনএস): কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা) না ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ১১গী নুংথিল পুং ১ তাবদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লোক্তাক প্রোজেক্টকী ন্যু কানন ভিলেজদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা মীয়ামগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।



কাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অমসুং লোক্তাক প্রোজেক্ট এরিয়া ৱিমেন্স সোসাইটি অনীনা পূন্না খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অদুদা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেন, লোক্তাক প্রোজেক্ট এরিয়া ৱিমেন সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট অথিলিয়ু মরিংমৈ অমদি কাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট হুইনিংশুংবম বসন্তিনচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা এ সী ঙান্থোই সেক্রেটরি লৈমকোল অমসুং কাদাগী সেক্রেটরি জেনরেল দিপাঞ্জিৎ নিংথৌজম্না রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী ৱাঙাঙলোই ওইখিবা এ সী ঙান্থোইনা ফোঙদোকখিবদা লমদম অসিদা দ্রগ চাবগী লাইচৎ অমা পাক শন্না শন্দারক্লি। চহী নৌরিবা অঙাংশিংদগী হৌরগা অহলশিং ফাওবনা পাক শন্না শীজিন্নরকপনা খুন্নাই অসিদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া নোংমা নোংমগী লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবনা নুপী অঙাংশিংদা তোঙান তোঙানবা ক্রাইম কয়া চংখরক্লি।

চীংগী ৱিমেন সোসাইটিশিং অমসুং তম্পাক্কী মৈরা পায়বীশিং পূন্না খূৎশম্নদুনা খুন্নাই অসিগী তুংগী মীরোল কলহৌনবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিনবা মতম ওইরে হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা দিপাঞ্জিৎ নিংথৌজম্না হায়খি, লমদম অসিগী চীং অমসুং তম অনীগী মীয়াম্না ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী অচৌবা চৈথেং অমা চাউনা মায়োক্লরি। অসিগুম্বা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী চৈথেং অসিদগী খুন্নাই অসিগী ফ্যুচর জেনরেসন অসি কলহৌনবা চীং অমসুং তম অনীমক্তা লৈরিবা মীয়াম পূন্না অমত্তা ওইনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা লেপমিন্নদুনা খুন্নাই অসি কনমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবী অথিলিয়ু মরিংমৈনা ফোঙদোকখিবদা, অমগা অমগা কোঅপরেসন পীনদুনা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক মপূং ফানা থিংনবা অফবা ফ্যুচর জেনরেসন অমা ঐখোয় খুদিংমক্কী চপ মান্নবা থৌদাং লৌমিন্নরসি হায়না ফোঙদোকখি।

HL-C/110/14,15,16

## অপূনবা সৌবাম শাগৈ লূপলেন
## ইম্ফাল, মণিপুর

### /পাউজেল

ৱাকচীংগী ১২নি পানবা ইরাই নুমিৎ, জন্যুৱারীগী তাং ১৮, ২০১৯ অসিদা সৌবাম শাগৈগী অপোকপা ইবুধৌ সৌবু খুরুমজদুনা চাক্লোন কৎপগী থৌরম নুমিৎ অসিদা থোক্লে।

য়াইফরবা নুমিৎ অসিদা মালেম অসিদা লৈবিরিবা সৌবামচাশিংনা সৌবাম শাগৈগী অপোকপা ইবুধৌ সৌবুগী লাইশঙ লৈবা মফম পূম্নমক্তা চাক্লোন কৎপগী থৌরমদা চাউনা শরুক য়াবিনবা অপূনবা সৌবাম শাগৈ লূপলেন, ইম্ফালনা নোল্লুক্লা পাউজেঞ্জরি।

*পাউজেঞ্জরিবা:*
*সৌবাম তোম্বা লুৱাং*
*জেনরেল সেক্রেটরি*
*অপূনবা সৌবাম শাগৈ লূপলেন, ইম্ফাল*

# এ এল পি টি দি য়ুনা শীন্দুনা কুন্থ্রাশুবা দ্রাইভরশিংগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর পেট্রোলিয়ম টেঙ্করস দ্রাইভরস য়ুনিয়ন (এ এল পি টি দি য়ু) না শীন্দুনা দ্রাইভরশিংগী নুমিৎ থা অসিগী ১৪দা লাইরিকয়েংবম মখা লৈকায় ওপোজিৎ রাও লম্পাক্তা লৈবা নপুখোঙ কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ এ ও সীদা পাউমীশিংগা উনবদা য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট ৱাই ভুপেনচন্দ্র ঘোসনা হায়খি, নুমিৎ অসিদা হরাও কুম্মৈ অমত্তা তৌবীগনু অমদি নুমিৎ অসি লৈঙাক্নসু ছুটি লাউথোকপীয়ু। লৈখিদ্রবা দ্রাইভরশিংগী মফমদা লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈননা হৈ-লৈ কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎপীয়ু।

কুমজা ১৯৯০গী জন্যুৱারী ১৪দগী হৌদুনা নুমিৎ ৭নি চূপ্না কোইরেঙ্গৈ এয়র ফিল্ডদা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুদগী হৌদুনা দ্রাইভরস দেগী থৌরম য়ুনিয়ন অসিনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। কুমজা ১৯৯৪গী জুনদা নাগালেন্দগী জুবজাদা শকখঙদবা খূৎলায় পায়বশিংনা মহৈ তমজরিবা হেন্দিমেন অমবু হাৎতোকপীরকপগী পেন্দবা ফোঙদোকপা ওইনা মণিপুর অমদি মপানগী পোৎ চৈ পুদুনা লাকপা ত্রক গাড়ী অমদি টেঙ্কর ২০০ হেনবনা ইম্ফাল সিটিগী অকোয়বদা রেল্লি চৎলবা মতুংদা ত্রক অমদি টেঙ্কর লিশীং ১ হেনবনা নুমিৎ ৯নি চূপ্না কোইরেঙ্গৈ এয়রফিল্ডদা খামদুনা দ্রাইভর হাৎপা য়ারোই হায়না চঙশিনখিবা খোঙজংশিং অদু পুৱারীদা নীংশিংদুনা লৈহৌরগদবা তাঙ্ককনি হায়রি।

মণিপুরগুম্বা রোদ ত্রান্সপোর্ট নত্তনা পোৎ চৈ অমসুং পেট্রোলিয়ম থাও পুথোক পুশিন, চৎথোক চৎশিনগী পাম্বৈ লৈত্রবা মীয়ামগা দ্রাইভর ওইরিবশিংগা মতম খুদিং থানবা য়াদ্রবা মরী অদু উৎপা হৌরকখি। মতম অমগী পোলিটিসিয়ন লৈখিদ্রবা ইরেংবম তোম্পোক্লা দ্রাইভরশিংগী অৱাবা উবীদুনা কোইরেঙ্গৈ এয়র ফিল্ডদা লাক্তুনা অমদি নাগালেন্দগী মতমদুগী চীফ মিনিষ্টরবু কৌথোকপীদুনা শন্তাইন্নবা হোৎনবীখিবা অদুবু ঙসি ফাওবা দ্রাইভরশিংনা নীংশিংদুনা লৈরি।

কুমজা ১৯৯০গী জন্যুৱারী ১৪দগী য়ুনিয়ন কয়ামুক্না দ্রাইভরশিংবু হন্থবা মীৎয়েংদা য়েংবা য়ারোই হায়বগী খোঙজং কয়া লেপ্তুনা চঙশিন্দুনা লাক্লি। মোটোর ভেহিকল দিপার্টমেন্ট, পুলিস অমদি নার্কোটিক সেলনা দ্রাইভরশিংদা অকন অরিং শিংদুনা কিহনবা, মরম চাদনা ফূ চৈবা অমসুং চ্যেক তৌবগী মীংদা শেল খায়বা কয়া চখরম্বশিং অদু ঙসিদি মণিপুরগী মনুং অমসুং মপানগী দিপার্টমেন্ট কয়াগী এমপ্লোয়শিংগা নীংথিনা ৱাখল তামিন্নদুনা ঈং-তপ্পগী মরী থম্নরক্লি হায়রি।

টেঙ্কর দ্রাইভরশিংনা নেসনল হায়ৱে ৩৯দা অৱাবা কয়া খাঙদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌরক্লি। অদুবু কুমজা ১৯৯৮, ২০০০ অমসুং ২০০১দা লাইবক থীবা থৌদোক কয়া মায়োক্লরকখি। কুমজা ১৯৯৮দা পেট্রোল পুদুনা লাকপা টেঙ্কর অমবু চকুমৈদা শকখঙদবশিংনা মৈ থাদোকপীখিবা অসি মণিপুরগী পুৱারীদা পেট্রোলিয়ম টেঙ্কর মৈ থাবগী অহানবা থৌদোক ওইখি অমসুং দ্রাইভরশিংবুনা অৱাবা মায়োক্ল হনখি। কুমজা ২০০০গী দিসেম্বর ৩১দা মাও অমদি তদুবীগী লোন্নবা মফম অমদা পেট্রোল পুদুনা লাকপা টেঙ্কর অমবু খূৎলায় পায়বা মীওইশিংনা অনীরকশুবা ওইনা মৈ থাদুনা মাঙহনখি। মতুংদা কুমজা ২০০১গী জন্যুৱারী ২৩দা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী লাইরৌ চিঙ্গোলদা খূৎলায় পায়বা মীওই ৩০ মুক্না পেট্রোল অমসুং দিজল পুদুনা লাকপা টেঙ্কি ৮বু লোকখাদা ইন্তুরগা অতোপ্পা টেঙ্কর অমবুনা অহুম্লকশুবা থৌদোক অমগুম্না মৈ থাখি।

মতুংদা চহী অদুমক্কী মার্চ ৮দা হায়রিবা মফম অসিমক্তদা টেঙ্কি গাড়ী ৭৫ রোম থাও পুদুনা অসামদগী লাকপদা নোংমৈ অমদি বোম কয়া কাপশিন্দুনা টেঙ্কর ১৫ মৈ চাকখি অমসুং দ্রাইভর অমদি হেন্দিমেন কয়া অশোক অপন নংহনখি। নুমিৎ অদুদা ওইল টেঙ্কর অমগী হেন্দিমেন ওইবা আই টি রোদ মকুই খুঙ্গংদগী জিট বহাদুর বনিয়া চীংখাদা শিদুনা লৈরম্বা থেংনখি। থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংখিবা কয়ানা ঙসি ফাওবা শোয়নাইবা অমদি লায়েংবা ঙমদবা কয়াসু য়াওরি।

থৌদোক অদুদা শোকখিবা নেপালদগী সেকেন্দ দ্রাইভর রাজকুমার জে এন হোস্পিটালদা লায়েংলবা মতুংদা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদে। মহাক্কী মথৌ মঙম কংলা-তোংবীগী নেপালি মরুপশিং অমসুং য়ুনিয়নগা তানদুনা পাঙথোকখি। কুমজা ১৯৯০গী জন্যুৱারী ১৪দগী হৌনা লৈখিদ্রবা দ্রাইভরশিংদা হৈ-লৈ কৎপা অমদি অহল ওইরবা দ্রাইভর ওইরম্বশিংদা অচম্বা খুদোল তম্বা নুমিৎকী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকখি। থা অসিগী ১৪দা দ্রাইভরশিংনা শেন্দাল লম্বীদা গাড়ী থৌবা থাদোকপীদুনা থৌরম অসিবু মপূং ফাহনবীয়ু হায়না য়ুনিয়ন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

MILLENNIUM INSTITUTE OF SCIENCES
Kwakeithel Mayaikoibi, Imphal -01
/ POST VACANCY
Date: 11th January 2019

| Name of Post | No. of Vacancy | Essential Minimum Qualification | Starting Salary | Age | Last date of Application Submission | Date & Time of Interview |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| Warden (Male) | 1 (one) | Any Graduate | Rs. 10000/- | Above 25 yrs but below 45 yrs | 16/01/2019 | 18/01/2019 at 10.00 am |

*N.B.: Interested Candidates can apply on plain paper giving full details of Examinations passed, Address, Experience (if any) & Contact No. etc. along with self attested photocopies of the relevant documents. Based on experience and performance, bonus may be given above the starting salary.*

*Sd/- Principal, MIS*

HL-P/2979/11-15


THE
LITTLE MASTER ENGLISH HIGHER SECONDARY SCHOOL
SHAMUROU
(Recognised by Govt. of Manipur)

ADMISSION OPEN
FOR 2019-20 SESSION
(PRE-NURSERY TO CLASS X)

SCHOOL TOPPERS IN HSLCE, 2018


Santosh Wangjam
Mark obtained:- 541


Md. Bin Wafa
Mark obtained:-533


L. Sarjubala Devi
Mark obtained:-508

FEE STRUCTURE, 2019

| Sl. | Class | Adm. Fee | T/Fee |
| --- | --- | --- | --- |
| 1 | Nursery | 1200 | 500 |
| 2. | K.G. | 1400 | 500 |
| 3. | I | 1700 | 500 |
| 4. | II | 1800 | 500 |
| 5. | III | 1900 | 500 |
| 6. | IV | 2000 | 500 |
| 7. | V | 2100 | 550 |
| 8. | VI | 2200 | 550 |
| 9. | VII | 2300 | 600 |
| 10. | VIII | 2400 | 600 |
| 11. | IX | 2500 | 700 |
| 12. | X | 2700 | 700 |

- Hands on computer from class II onwards
- Separate Boarding for both boys and girls.
- Scholarship and Prizes upto Rs. 1 lakh for Meritorious students
- Games & Sports and Thang -Ta as a part of School Curriculum .
- State-of- the-art Infrastructure, well equipped science and computer lab.
- 120+ highly dedicated, motivated and qualified faculty
- (Ist Class, Gold Medalists & Ph.D. holders)
- **Free School tuition fee for 3rd student of same parent.**
- **Fee School tuition fee for school boarders.**

Boarding fee, 2019 (includes school fee)

| Class | Girls | Boys |
| --- | --- | --- |
| Nursery | 2500 | 2600 |
| Kg.-I | 2600 | 2700 |
| II,III,IV | 2700 | 2800 |
| V,VI | 2800 | 2900 |
| VII,VIII | 2900 | 3000 |
| IX,X | 3100 | 3200 |

We are proud of our Luminaries.
40 + Position holders in both HSLCE & HSC
70 + Selection in Medical and Engineering Exams so far
200 + officers in Various state and Central Govt. Departments.

Some of our Achievers

1. P.Chaoba Devi (Public Prosecutor MPSC, 2018)
2. Naorem Tejkumar ( OSD, Law , MPSC 2017)
3. A. Robertson (Asstt. Proff. MPSC 2017)
4. M. Medhapati (Asstt. Proff. MPSC 2017)
5. Suraj Huidrom (Asstt. Proff. MPSC 2017)
6. Kh.Anandkumar (Asstt. Proff. MPSC 2017)
7. Wangjam Phajabi (Asstt. Proff. MPSC 2017)
8. YM. Sabir (Indian Foreign Service, IFS)
9. Dr. Abujam Indrajit Singh, (Super specialist, AIIMS)
10. Dr. Firoz Khan (Super specialist, Cardiac Surgeon Sky Hospital)
11. Hidam Kumarjit Singh, Asstt. Proff. G.U.
12. M. Indrakumar (Deputy Comdtt. CRPF)
13. M. Okendrajit (Asstt. Comdtt. CISF)
14. Thangjam Sanatomba (MPS-2014)
15. Moirangmayum Bishworjit (MPS-2014)
16. Md. Firoz Khan (MCS-2014)
17. Abujam Romen Singh (MCS-2014)
18. Md. Hefajuddin (MCS)
19. Sorokhaibam Imosana (MCS)
20. Oinam Sandhyarani (Asst. Comdtt. CRPF)
21. Oinam Nganthoi (Captain, Indian Army)
22. Shougrakpam Prakasah (Manager, Bank of India)
23. Baghatchand (Branch Manager, C.B.I.)
24. Oinam Khogen Singh (Manager, Bank of India)
25. Mutum Romapati (Captain Indian Army)
26. Dr. Loitongbam Usharani (M.O.)
27. Dr. Laishram Ayingbi, PGI (M.O)
28. Dr. Yanglem Elizabeth (M.O)
29. Dr. O. Chingkheileima (M.O)
30. Dr. Yumnam Bidyaluxmi (M.O)
31. Dr. Longjam Anil (M.O)
32. Dr. Leishangthem Reena (M.O)
33. Dr. Moirangmayum Sadananda (M.O)
34. Dr. Shapam Anuradha (M.O)
35. Dr. Laishram Nungshitombi (M.O)
36. Dr. Tekcham Tampha (M.O)
37. Dr. Moirangmayum Omilakumari (M.O)
38. Dr. Malemnganba Laishram (M.O)
39. Dr. Thingujam Surbala (M.O)
40. Dr. Sanarose (M.O)
41. Dr. Ym. Amir (M.O)
42. Dr. Laishram Kamala Devi (M.O)
43. Dr. Abella Moirangmayum (M.O.State Employer Hospital, Delhi)
44. Dr. Longjam Chittaranjan Singh (PG.RIMS)
45. Dr. Laishram Chittaranjan Singh (RIMS)
46. Dr. Laishram Subashini Devi (Deen Dayal Delhi)
47. Dr. Naorem Sunita Devi(NGRIMS)
48. Dr. Heisnam Lily Devi (M.O.)
49. Dr. Ph. Nandakumar Singh (M.O.)
50. Dr. Md. Burhanuddin (Asstt. Proff. )
51. Dr. Jubeda (Asstt. Proff.)
52. Dr. Thokchom Bidyaluxmi Devi
53. **Dr. Moirangthem Benu Devi**
54. **Dr. Th. Samananda**
55. **And many more ...**

Write to us at :- Okendrajit83@gmail. com
✆ 8974370494 or 9774378518

HL-P/2927/6-21